লমলক্কী শামুশিংনা মী তাবা মফমদা চঙলকখিবগী থৌদোক্তা মীওই অমা শিরে

উদালগুরি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

অসামগী মনুং চনবা উদালগুরি দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাং লমলক্কী শামুশিংনা মী তাবা য়ুমলত্তা চঙশিল্লত্তুনা মচীঞ্জাক থিবগী থৌওং অমদা মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়রি।

ইন্দিয়া অমসুং ভুটানগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা উদালগুরি দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অদু বিমল দেবনাথ কৌবা অমনি হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। মহাক দিমাকুচি পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা বোরেনাজুলি ভিলেজদগীনি।

ইন্দো-ভুটান ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা চীংশিংদগী শামুশিং অদু খুঙ্গং অদুদা চঙলকখিবনি। শামুশিং অদুনা দিমাকুচি, রাজগর, নালাপরা, বোরেনাজুলি, ধর্মজুলি, তনকিবষ্টি অমসুং ভোলাতার খুঙ্গংশিংদা মফম খঙদনা চঙশিল্লকখিবনি হায়রি।

লমলক্কী শামুশিং অদুনা মী তাবা মফমদা মচীঞ্জাক থিনবগীদমক চঙলকখিবনি। মখোয়না চঙলকখিবা অদুদা খুঙ্গং অদুদা লৈরম্বা মীওই কয়া কিবদগী কোইচেন চেন্নখি। শামুশিং অদুনা মথোং মরম খঙদনা চেনবগী থৌদোক্তা খুঙ্গং অদুগী য়ুম খরা অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা ইমুং অদুদা লৈরম্বা বিমল শামুশিংনা নেৎপদগী শিখিবনি। খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না লমলক্কী শামুশিং য়ামনা তোয়না খুঙ্গং অদুদা চঙলক্লি। মদুনা মরম ওইরগা অহিংগী মতমদা খুঙ্গং অদুগী মীওই অয়াম্বা মপুং ফানা তুম্বা ঙমনদ্রে। চহী খুদিংগী ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা চীংগী শরুক্তগী লমলক্কী শামুশিং য়াম্না তোয়না চঙলত্তুনা অমাং অতা কয়া থোকহল্লি হায়রি।

গ্রেটর ইম্ফালদা কন্টেনমেন্ট জোন থল্লিঁঙৈ মনুংদা অয়ুক্কী পুং ৬ তগীনা ১০ ফাওবা পোৎ চৈ লৈনবা রিলেক্স তৌরিঙৈদা মখা তানা চোম্থনা লৈরম্বা মীওইশিং পুলিসনা ইমা কৈথেল মনাক্তা ফারগা দিটেন তৌবা

ইটানগরগী কোভিদকী ফীভম ষ্টেট হোম, হেল্থ মিনিষ্টরনা য়েংশিনখ্রে

ইটানগর, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর বামার ফেলিক্স অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর অলো লিবাংনা ইটানগর কেপিটেল রিজনগী মফম কয়াদা চত্তুনা মফমশিং অদুগী কোভিদ-১৯ গী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

মিনিষ্টরশিং অসিনা শগোলশেন নুমিত্তা দিমাপুরদা লৈবা দেদিকেটেদ কোভিদ হেল্থ সেন্তর, চিম্পুদা লৈবা দেদিকেটেদ কোভিদ হোস্পিটাল অমসুং গুমতো বান্দরদেৱা অমদি হোলোংসিগী চেক গেটশিংদা চৎখি অমসুং কোভিদ-১৯ গী ফীভম য়েংশিনখি।

কোভিদ-১৯ থিংনবগী পান্থৈশিং খন্নরকপগী মতাংদা মিনিষ্টরশিং অসিনা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংদা টিম অমা ওইনা থবক তৌদুনা মখা তানা লায়না শন্দোরকপা থিংনবগী আপীল তৌখি। ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিংনা হোৎনরিবশিংবু থাগৎপগা লোয়ননা মিনিষ্টরশিং অসিনা চেক গেটশিংদা পোষ্টিং তারিবশিংদা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌনবা হায়খি।

কোভিদ হোস্পিটালশিং চেক গেটশিংদা তারিবা ওফিসরশিং অমসুং ওফিসলশিংগা ইন্তরেক্ট তৌরদুনা মিনিষ্টরশিং অসিনা মখোয়দা পেন্দবশিং খঙহল্লক্কৰা হায়খি অমসুং মেনপৱার ৱাৎপা অমসুং তোইলেটনচিংবা লৈতবগী মতাংদা খন্নখি। বেদ ৪২ গী কেপাসিটি লৈবা দি সী ঐচ চিম্পুগী খোঙচত্তা মিনিষ্টরশিং অমসুং মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী টিম অদুনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লদুনা হায়খি মদুদি অথুবা মতমদা অহেনবা বেদ ১৬৪ হাপচিন্দুনা দি সী ঐচ অদুগী কেপাসিটি ২০৬ ওইহল্লগনি। বেদ ২০৬ কী মনুংদা বেদ ২৮ লোম্না আই সী য়ুগী মথৌ তৌগনি হায়না দি সী ঐচ ইন চার্জনা ফোঙদোকখি।

লৈখৈদা লৈবা কোভিদ ক্যের সেন্তরসু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মথৌ তৌখ্রে হায়নসু ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখি।

নাগালেন্দদা ওক্সিজেন প্লান্ট অহুমগী ইক্বিপমেন্ট থুংখ্রে

কোহিমা, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

নাগালেন্দদা ওক্সিজেন প্লান্ট অহুম লিংখৎনবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা দিফেন্স মিনিষ্টর রামনাথ সিংহদা ইক্বিপমেন্ট এয়রলিফ তৌবীনবা হায়জখিবা মতুং মথংগী নুমিৎ ইরাইদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) না কে জি ১৩,০০০ গী কনসাইনমেন্ট এয়রলিফ তৌখ্রে।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি। পি এম ক্যের্স ফন্দগী মখাদা কোহিমা, দিমাপুর অমসুং মকোকচুংদা ওক্সিজেন প্লান্ট অহুম লিংখৎলগনি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না, নাগালেন্দগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা ওক্সিজেন প্লান্ট ১৩ লিংখৎলগনি। অতৈ ওক্সিজেন প্লান্টশিং অদুনা য়ুনিসেফ অমসুং য়ু এন দি পিনা মতেং পাংগনি।

ইক্বিপমেন্ট অদুবু এয়রলিফ তৌবিবগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টর রিওনা ত্বিটর পোষ্টকী খুত্থাংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথপু থাগৎখি। লোয়ননা ওক্সিজেন প্লান্টশিং অদুনা ওক্সিজেন মরাং কায়না পুথোক্তুনা কোভিদ-১৯ কেসশিং নিংথিনা মেনেজ তৌবদা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী অতৈ লেজিসলেটর কয়ানসু ত্বিটরগী খুত্থাংদা দিভলপমেন্ট অসিবু পাউদম্নবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর রিও অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর রাজনাথপু থাগৎখি। কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টদা আই এ এফনা চাওনা মতেং পাংবিবগীদমক তৌবীমন খঙবা উৎলি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সপার্সন মমহোনলুমো কিকোননা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী হেল্থ মিনিষ্টর এস পাংন্যু ফোমনা হায়, এয়রলিফ তৌরক্লিবা ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নদুনা নাগা হোস্পিটাল ওথোরিটি কোহিমা (এন ঐচ এ কে) গী ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট অমদি অতৈ হোস্পিটালশিংগী ওক্সিজেন প্লান্ট অনী লিংনবগী ইক্বিপমেন্ট অদু দিমাপুর এয়রপোর্টতা থুংখি।

মিজোরামদা নুমিৎ ৭ নিগী ওইনা মখা তানা লোকদাউনগা মান্নবা অথিংবশিং থমখিগনি : মেদিকেল ওপরেস্নেল টিম

আইজোল, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

মিজোরামদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শনে দাকপগী চাং হন্থরক্তবনা মরম ওইরগা লোকদাউনগা মান্নবা অথিংবশিং মে ৩ দগী হৌরগা নুমিৎ ৭ নি থম্লগনি হায়না মেদিকেল ওপরেস্নেল টিম্না ঙসি ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা মিজোরামদা লৈঙাক পায়রিবা মিজো নেস্নেল ফ্রন্ট (এম এন এফ) লেজিসলেটরগী লুচিংবা ডা. জে আর থিয়ামসঙানা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অথিংবশিং মখা তানা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা মিজোরামগী হেল্থ মিনিষ্টর ডা. আর লালথাংলিয়ানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অসি য়েংলগা মিজোরামদসু তঙাইফদনা অথিংবা খরা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং লমদম অদুগী মীয়াম্না মপুং ফানা ঙাক্না চৎপগী মমি উদ্রি। মিজোরামগী মরু ওইবা মফমশিংদা মী কা হেন্না পুনবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চত্তবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা লোকদাউনগা মান্নবা অথিংবশিং থম্নবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখিবনি।

লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈননা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবকশিং পাঙথোকপা তারবসু গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মখাদা পাঙথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু মীয়াম্না থওইনা লৌদ্রি। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা মরু ওইনা লুহোংবা অমদি অশিবগী মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমশিংদা থোরক্লিবা মীওইশিংনা ফেস মাস্ক উপ্তুবা অমদি সোসল দিষ্টিন্সিং ঙাক্না চৎত্রি। মসিনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা কোভিদ-১৯ শনে দাকপগী চাং হন্থরক্তবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি।

হায়রিবা ফীভম অসিদা মখা তানা লৈরবদি ইন্দিয়াগী মরু ওইবা সিটি খরদা লায়না লাইচৎ অসিনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অদুগুম্না ষ্টেট অসিদা পীরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। তুংদা লায়না লাইচৎ অসিনা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লক্কদবা অদুগী য়েংলগা তঙাইফদনা অথিংবশিং মতম খরা শাংদোক্লবা খন্নখিবনি। মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক এক্তিভ কেস মশীং ৯৮৪ লৈরি।

CROSSWORD-3768



ACROSS

1 The capital of Uruguay (10)
7 Little pasta cases with savoury filling (7)
8 Profound (4)
10 Walk through shallow water (4)
11 Leave the country (8)
13 Sea between Greece and Turkey (6)
15 Owing money (2,4)
17 Australian marsupial (8)
18 Unpleasant child (4)
21 The two of them (4)
22 Examined and corrected (7)
23 Early bird song (4,6)

DOWN

1 Shifted (5)
2 Midday (4)
3 Puzzle (6)
4 Needy (8)
5 Raise (7)
6 Disadvantages (9)
9 Lack of doubt (9)
12 Long-distance foot-race (8)
14 Venetian canal boat (7)
16 Quarter (6)
19 Takes a break (5)
20 Above (4)

Solution 3767



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3567

3				2	5			
		4	1			8	5	9
	1							
8				9				
1	4	2				6	9	5
				5				3
							6	
9	3	8			6	2		
			2	4				7

Solution-3566

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

7	3	8	1	4	9	2	5	6
5	2	6	3	7	8	1	9	4
9	1	4	5	6	2	8	7	3
4	5	2	6	1	7	3	8	9
1	6	3	9	8	5	4	2	7
8	9	7	2	3	4	6	1	5
3	7	1	8	9	6	5	4	2
2	8	9	4	5	3	7	6	1
6	4	5	7	2	1	9	3	8

EMPLOYMENT NEWS

Directorate General Border Security Force (BSF) invites applications from eligible candidates for recruitment vacancies of Group A, B & C combatised posts in Mi Fleet in BSF Air Wing on contract basis. The advertisement is open up to 31st December 2021.

Name of Post	No of Vacancies
Capt / Pilot (DIG)	02
Comdt (Pilot)	06
SAM (Inspr)	05
JAM (SI)	11
AAM (ASI)	16
Senior Flight Gunner (Inspr)	05
Junior Flight Engineer (SI)	04
Junior Flight Gunner (SI)	04

Place of Posting: Guwahati, Ranchi, Srinagar, as well as any other location to be decided by Competent Authority.
Pay Scales:
Capt / Pilot (DIG): ? 3.25 to 3.5 Lakhs per month
Comdt (Pilot): ? 2.8 to 3.4 Lakhs per month
SAM (Inspr): ? 1,40,000/- per month
JAM (SI): ? 1,30,000/- per month
AAM (ASI): ? 1,20,000/- per month
Senior Flight Gunner (Inspr): ? 1.55 to 1.65 Lakhs per month
Junior Flight Engineer (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
Junior Flight Gunner (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
How to Apply: The advertisement is open up to 31st December 2021 subject to availability of vacancies as per the requirement. Eligible candidates may apply and applications against there contractual vacancies will be accepted till 31st December 2021. Completed application along with requisite enclosures should reach to "DIG (Pers), FHQ BSF, Pers Dte, CGO Complex, Block 10, Lodhi Road, New Delhi - 110003".

SBI Pharmacist Recruitment 2021 notification, apply online here: State Bank of India (SBI) invites online applications from eligible Indian Citizens for appointment of Pharmacists in Clerical Cadre. The online registration process will be start from 13th April 2021 to 3rd May 2021.
ADVERTISEMENT NO:CRPD/PHARMACIST/2021-22/04

Name of the Post	No of Vacancies
Pharmacist in Clerical Cadre	67

State wise Vacancies: Gujarat - 02, Andhra Pradesh - 04, Karnataka - 07, Madhya Pradesh - 02, Chhattisgarh - 01, Punjab - 04, Haryana - 01, Jammu and Kashmir - 01, Tamil Nadu - 05, Delhi - 01, Uttarakhand - 01, Assam - 04, Meghalaya - 01, Telangana - 04, Rajasthan - 06, West Bengal - 04, Uttar Pradesh - 05, Maharashtra - 05, Jharkhand - 02, Kerala – 07.
Age Limit: 30 years as on 31st December 2020.
Pay Scale: ? 17900-1000/ 3-20900-1230/ 3-24590-1490/ 4-30550-1730/ 7-42660-3270/ 1-45930-1990/ 1-47920
Educational Qualification and Experience:
Pass in SSC or its equivalent examination and minimum Diploma in Pharmacy (D.Pharma) from recognised university or board. Minimum Post Educational qualification experience of 03 years as Pharmacist or compounder. Ability to give first-aid treatment independently for accidents is essential. (OR)
Degree in Pharmacy (B.Pharma/ M.Pharma/ Pharma D) or any equivalent degree in Pharmacy from any recognised university. Minimum Post educational qualification experience of one year as Pharmacist or compounder.Ability to give first-aid treatment independently for accidents is essential.
Selection Process:
Written Test
Interview
Online Written Exam Pattern:

Name of the Test	No of Questions	No of Marks
General Awareness	25	25
General English	25	25
Quantitative Aptitude	25	25
Reasoning Ability	25	25
Professional Knowledge	50	100
Total =	150	200

Application Fee:
750/- for UR / EWS / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / PWD candidates.
The fee should be made through online mode using Debit Card / Credit Card / Net Banking.
How to Apply: Eligible Interested candidates will required to register themselves online through SBI official website from 14th April 2021. The last date for registration of online applications is 03/05/2021.

North Tripura District Court Jobs 2021: Office of the District and Session Judge North Tripura, Dharmanagar invites applications from eligible Indian Nationals for filling up 98 vacant posts of Group D under District and Subordinate Judiciary of Tripura. The last date for receipt of applications is 5th May 2021.

Name of the Post	No of Vacancies
Peon / Orderly / Guard etc. (Group D)	98 (Regular Pay Scale – 50, Fixed Pay Scale – 48)

Age Limit:
18 to 40 years as on 01/01/2021
Age Relaxation - 05 years for SC / ST / PH candidates and Government Servant.
Pay Scale:
Regular Pay Scale: PB-1 ? 4840 - 13000 & Grade pay ? 1400/-
Fixed Pay: Level 1 ? 12000/- per month
Educational Qualification: Must have passed Class VIII examination from any recognized Institution / Board. Matric candidates can also apply.
Selection Process:
Written Examination
Viva Voce Test (Interview)
Application Fee:
200/- for UR (General) category candidates.
100/- for SC / ST category candidates.
How to Apply: Application in plain paper as per prescribed application format. Completed applications addressed to "The District and Sessions Judge, North Tripura, Dharmanagar" along with self attested copies of relevant certificates and testimonials, 04 recent self attested coloured identical passport size photographs along with application fee (Bank Draft) by post / by hand. The last date for receipt of applications is 05/05/2021.

তোঞ্জাওগী ৱারী
ৱারী অমসুং খুৎয়েক:
সামসন সলাম


ইবুংঙো নঙনা তৌরুবা খুদিং মায়-পাকউকো। নঙগী পুকচেল চাওবসিদা ময়ামসে পেল্লিবনি।
ইবেনহোইগী থৌজালনা নুংঙাইনা পাঞ্জরগে।
নোংমা নোং কন্না তারম্মী।
হয়েংদি লু শাদুনা ঙা ফাগে।